# ইরাননা ইজরেল মুথৎকদবনি হায়না থাবা মিসাইলশিং কাপখ্রে



টেহরান, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) ঃ "ইজরেল অসি মুথৎকদবনি" হায়না থাবা বলেষ্টিক মিসাইল অনী ইরাননা ঙসি কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখ্রে। য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট জো বিদেনগী ইজরলে খোঙচৎকা চাননা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা মপাঙ্গল উথোকপগী খোঙথাং অমদা বলেষ্টিক মিসাইলগী চাংয়েং অদু পাঙথোক্লিবনি হায়রি।

ইরাননা অসিগুম্বা ৱাহৈ-ৱাতাশিং ময়েক শেংনা ইদুনা মিসাইল কাপ্পসি মমাঙদসু তৌখ্রে, তৌইগুম্বসুং হন্দক্কী চাংয়েং অসিমদি লৈবাক অসিনা হন্দক্তা অমেরিকা য়াওনা মালেমগী পৱারশিংগা ন্যুক্লিয়ার দিল অমা সাইন তৌনখিবা মতুংদনি। ইরানগী মিলিটরিদা লৈরিবা হার্দলাইনরশিংনা দিল অদু সাইন তৌনখ্রবা মতুংদা য়ু এসকী মায়কৈদগী অকনবা ওবজেক্সনশিং লৈদুনসু রোকেট অমসুং মিসাইল কয়া কাপখ্রে অমসুং ষ্টেট টেলিভিজনদা অন্দরগ্রাউন্দ বেজ কয়া উৎখ্রে।

বিদেননা ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগা ৱারী শানগদৌরিবা মফম জেরুসালেমগী মায়কৈদগীদি ইরানগী মিসাইল চাংয়েং অদুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা রিয়েক্ট তৌরক্ত্রি। ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টরনদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা সাইন তৌনখিবা ইরান ন্যুক্লিয়ার দিল অদু কন্না য়াখিদবনি।

সেমি ওফিসল ফার ন্যুজ এজেন্সীনা কাদর ঐচ মিসাইলশিংদু কাপ্পগীনি হায়বা ইমেজশিং উথোকখি। এজেন্সী অসিনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, বলেষ্টিক মিসাইলশিং অদু ইরানগী ইষ্টর্ন এলবোর্জ মাউন্টেন রেঞ্জদগী ইরানগী ঈশিং খোঙবান্দগী কিলোমিটর ১,৪০০ রোম লাপ্পা সী ওফ ওমানদা লৈবা টার্গেট অমদা হিট তৌনবা কাপখিবনি।

লমদম অদুদা পেট্রোলিং তৌরিবা য়ু এস নেভিগী মঙাশুবা ফ্লিটনা চাংয়েং অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট অমত্তা পীখিদে।

"চাংয়েং অদু ইরাননা ইজরেল য়ৌনা মিসাইল কাপ্পুনা এটেক তৌবা ঙমই হায়বসি টেহরাননা ইজরেলিশিংদা উৎলিবনি" হায়না ইরানগী রিভোল্যুসনরি গার্দকী এরোস্পেস দিভিজনগী মকোক ওইরিবা অমির অলি হাজিজাদেহগী ৱারোল পল্লদুনা ফার্স ন্যুজনা হায়খি।

"কিলোমিটর ২,০০০ শান্না পাইবা ঙম্বা ঐখোয়গী মিসাইলশিং অদুনা জিওনিষ্ট রেজিমবু থেংনগনি" হায়না হাজিজাদেহনা হায়খি।

"ইজরেল অসি ইস্লামিক লৈবাকশিংনা কোইশিন্দুনা লৈ অমসুং লাল অমা শোক্লরকপা মতমদা লৈবাকসি কুইনা চৎলোই। মিসাইলশিং অসিনা হিট তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফাওবা লৈবাক অসি তুখিবা য়াই" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইজরেলগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট পীখিদে। মমাঙদা ইরাননা ইজরেলবু থুগাইগনি হায়না কিহনবা লৈখিবনি। মিদ্দল ইষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা ন্যুক্লিয়ার পুক্কে লৈ হায়না থাজনবা ইজরেলনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার ফেসিলিটিশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎকনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন্না কিহনবা লৈখ্রবনি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেননা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অতোপ্পা মিসাইল চাংয়েং ক্রিটিসাইজ তৌরিঙৈ তাল্লক্তা কাদর ঐচ মিসাইলশিংগী চাংয়েং অদু পাঙথোরক্লিবনি।

ইরান অমসুং য়ু এস য়াওনা মালেমগী পৱারশিংগী মরক্তা মোদরেট প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না নিগোসিয়েট তৌবা ন্যুক্লিয়ার দিল অমা হৌজিক চৎনদুনা লৈরিবনি। দিল অদু সাইন তৌনখিঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা ইরানগী মিলিটরি হাদলাইনরশিংনা ইরানগী পাঙ্গল উথোকপা থবক কয়ামুক পাঙথোকখ্রে।

হন্দক থা খরা অসিদা ইরাননা য়ু এস ৱারসিপশিংগী মনাক্তা রোকেট কয়া কাপখ্রে অমসুং অমেরিকান এয়রক্রাফট কেরিয়র অমগী মথক লান্না খুৎলাই য়াওদবা দ্রোন অমা পাইহনখ্রে।

# মিলিটরিগা সু চিগা য়ানরক্ত্রে, ট্রাঞ্জিসনগী ৱাফম লুশিল্লক্লি



নিপিয়েদো, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) ঃ ম্যান্মারগী পার্লিয়ামেন্টনা শগোলশেন নুমিৎতা প্রসিদেন্সিয়েল কেন্দিদেটশিং নোমিনেট তৌনবা শেম-শাদুনা লৈরিঙৈ তাল্লক অসিদা লৈবাক অদুগী তৌগেদা ঙম্বা মিলিটরি অমসুং ওং সান চু চিগী মরক্তা য়ানদবা হেনগৎলকখিবগা লোয়নন্না দেমোক্রেসি লিদর অদুনা গভর্ণমেন্ট অমা মায় পাক্লা শেম্বা য়াবগী ফীভমদা অকায়বা চাউনা লৈরে হায়রি।

সু চিগী নেসনল লিগ ফোর দেমোক্রেসি (এন এল দি)না পৱার পায়নবগী নুমিৎ থুনা য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়নন্না এন এল দি অমসুং মসিগী হান্নগী য়েক্লবশিংনা অশোয়-অঙাম য়াওদবা পৱার ট্রাঞ্জিসন অমগীদমক্তা মরুপ মপাং ওইবা মওংদা থবক তৌমিন্নরি হায়বদু উৎনবা হোৎনরকপদু পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইদবা ফীভম অমা লাক্লে হায়না হৌজিক লৈরিবা ফীভম অদুবু নীংথিনা খঙবা পোলিটিসিয়নশিং অমসুং ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

"লূচিংবী অসিনা মিলিটরিগা থবক তৌমিন্নবা ঙমগনি হায়না থাজখি, তৌইগুম্বসুং কম্মান্দর-ইন-চীফকা ইকোন কোনবা উনখিবা অদুগী মতুংদা মহাক্না মখোয়গা ৱারী শানবা ঙম্লরোই হায়বসি খঙলকখি" হায়না এন এল দিগী অপ্পর হাউসকী সিনিয়র লোমেকর অমনা ৱারী শানবদুগী মতাংদা ব্রিফিং পীরদুনা হায়খি।

"লূচিংবী অসি মিলিটরিগা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা ঙাইরম্বদগী থৌরাং অসিদা থাজবা থম্বা লেপখ্রে" হায়না লোমেকর অদুনা মখা তাখি।

হৌখিবা নবেম্বর ৮দা পাঙথোকখিবা মীফমদা সু চিগী পার্টিনা চাউনা মায় পাক্লবা মতুং ইকুই কুইদনা এন এল দি অমসুং মিলিটরিগী মরক্তা ৱারী শানবা হৌখিবগা লোয়নন্না কুমজা ১৯৬২দা মিলিটরিনা লৈঙাক্কী পৱার পায়শিনখিঙৈদগী লৈবাক অদুদা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট অমা লাক্লগনি হায়বগী থাজবা অমা লাকখিবনি।

তৌইগুম্বসুং মহাকপু প্রসিদেন্ট ওইবা য়ানবা কন্সটিট্যুসন শেমদোকপা য়াওনা মখল মখা কয়াগী ইসুশিংগী মতাংদা লৈরিবা মিলিটরি লিদরশিংগী হান্নগী ৱাখলদু হোংউ হায়বা য়াদবদগী সু চিগী মপূক্লিংদা নীংহন্নবা লাকখিবনি হায়না মহাক্কী কেম্পকী সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখি।

## ইজরেলনা হ্বাইট হাউসকী ক্লেম য়াখিদ্রে

জেরুসালেম, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) ঃ হান্না থৌরাং তৌখিবা ৱাশিংটনদা চৎপগী খোঙচৎ অমা কেন্সেল তৌদুনা ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনবু ঙকহনখি হায়বা হ্বাইট হাউসকী ক্লেম অমা ইজরেলনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খ্রে মদুদি, নেটয়াহুনা খোঙচৎ অদু পাঙথোক্তনবসু খন্নরি হায়বসি হ্বাইট হাউসনসু খঙই।

ইজরেলবু শৌগৎপা লৈবাকশিংগী চহীগী মীফম অমগা চাননা নেটনয়াহুনা মার্চকী অথেংবা শরুক্তা খোঙচৎ অমা চৎনবা লেপখিবনি তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ওফিসনা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি, য়ু এসকী প্রসিদেন্স্যেল প্রাইমরিশিং কন্না পাঙথোক্লিঙৈদা চৎশিনবা পামদবদগী মহাক্না ৱাশিংটনদা চৎপগী প্রোগ্রাম অদু তোক্লগনি।

# 'আই এসকী চেচেন মচা ওমার য়ু এসকী এয়র ষ্ট্রাইকতা শিরম্বা য়াই'



ৱাশিংটন, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) ঃ পেন্টাগোননা ইস্লামিক ষ্টেটকী ৱারগী মিনিষ্টরনি হায়না ফোঙদোকপা গ্রুপ অদুগী কম্মান্দর অমা সিরিয়াদা য়ু এসনা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা শিখিরম্বা য়াই হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

ওমর দ চেচেন হায়নসু খঙনবা অবু ওমর-সিসানি কৌবা আই এসকী লিদর অদু য়ু এসকী পোগ্রাম অমগী মখাদা অমেরিকাগী খ্বাইদগী পাম্না থিরিবা মিলিটেন্টশিংগী মনুংদা য়াওই। প্রোগ্রাম অদুগী মখাদা মিলিটেন্ট অসিবু বেট্টলফিল্ডদগী লৌথোক্লবগী পাউ পীবা ঙম্বদা দোল্লর মিলিয়ন ৫ ফাওবা পীগনি হায়না ওফর তৌরিবনি।

কুমজা ১৯৬৮তা সোভিয়েট য়ুনিয়নগী শরুক অমা ওইখিবা জোর্জিয়াদা পোকখিবা খদাং কোই অঙাংবা খাকপা সিসানি অসি ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অবু বাকর অল বাঘদাদিগী নকশিন্নবা মিলিটরি এদভাইজর অমনি হায়না লৌনবগা লোয়নন্না বাঘদাদিনা অয়াম্বা মতমদা সিসানিগী পাউতাক্তা থবক তৌই হায়রি।

মী তোংবা অমসুং তোংদবা এয়রক্রাফট কয়া শীজিন্নদুনা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদুনা সিরিয়াগী অল-সাদাদি টাউনগী মনাক্তা সিসানিবু টার্গেট তৌখি হায়না য়ু এসকী ওফিসল অমনা হায়খি।

য়ু এসনা শৌগৎপা সিরিয়ন-আরব কোলিসনগী ফোর্সশিংগী মখুৎতা মায়থিবা কয়া নংখ্রবা ইস্লামিক ষ্টেটকী ট্রুপশিংবু থৌনা হাপ্পীনবগীদমক্তা সিসানিবু মফম অদুদা থারিবনি হায়না পেন্টাগোন্না থাজে। হৌখিবা থাদা য়ু এসনা বেকিং পীবা কোলিসন ফোর্সশিংনা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতগী অল-সাদাদি কেপচর তৌখিবনি।

পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন পিটর কুকনা হায়খি, য়ু এস মিলিটরিনা হৌজিক এয়র ষ্ট্রাইক অদুগী রিজল্টশিং য়েংশিল্লি, তৌইগুম্বসুং মদুনা থোকহল্লম্বা য়াবশিং অদুবুদি চাউরাক্লা খঙবা ঙমই।

"সিসানি অসি সিরিয়াদা বেজ তৌবা মিনিষ্টর ওফ ৱারগী ফম য়াওনা আই এস মনুংদা মিলিটরিগী ফম অচৌবা কয়া পায়বা জোর্জিয়ন নেসনল অমনি" হায়না কুকনা হায়খি। সিসানি শিখিবা তারবদি গ্রুপ অসিগী এটেকশিং কোওর্দিনেট তৌবা ঙম্বা অমসুং স্ত্রোংহোল্ডশিং ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থহল্লগনি। মদুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফোরন ফাইটরশিং মরু ওইনা চেচনিয়া অমসুং কোক্কম রিজনশিংদগী ফাইটরশিং রিক্রুট তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল হন্থহল্লগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মশক মমিং তাকথোকখিদবা য়ু এসকী ওফিসল কয়ানা এয়রষ্ট্রাইক অদু মায় পাক্লা চথখি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লখি, তৌইগুম্বসুং মখোয় অমত্তনা সিসানি চপ চানা শিরে হায়নদি লাউথোকখিদে।

অহানবা ওফিসল অদুনা হায়খি, ইস্লামিক ষ্টেটকী অহেনবা ফাইটর ১২গা লায়নন্না সিসানি শিরম্বা য়াই হায়বসি অহানবগী এসেসমেন্টশিংনা উৎলি।

অল-সাদাদি এরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকা লাল শোক্লরকখিবা সিরিয়ন কর্দিশ ৱাই পি জি মিলিস্যাগী ওফিসল অমনা হায়খি, সিসানি শিরে হায়বগী পাউ ফংলে তৌইগুম্বসুং অকুপ্পা মরোলদি ফংদে লোয়নন্না শিরে হায়বদুসু চপ চানা কনফার্ম তৌবা ঙমদে। অরুবা ৱাফম অমা ওইবনা ওফিসল অদুনা মশক মমিংদি তাকথোকখিদে।

পোকপদা তরখন বাটিরাবিলি হায়না মমিং থোনখিবা সিসালি কুমজা ২০০৬তা জোর্জিয়াগী মিলিটরিদা য়াওদ্রিঙৈগী মমাঙদা চেচনিয়াদা রেবেল অমা ওইনা মিলিটরি ওপরেসনশিংদা শরুক য়াখি। মহাক্না রশিয়ান ট্রুপশিংগা ফাওবা মায়োক্লখি হায়না য়ু এসকী অহানবা ওফিসল অদুনা হায়খি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা বি-১ বোম্মরশিং থম্নবা য়ু এসনা ৱারী শানরি



সিদনি, মার্চ ০৯ (এজেন্সী) ঃ চাইনাগা লৈনরিবা টেন্সন হেনগৎহনবা য়াবা খোঙথাং অমদা ওষ্ট্রেলিয়াদা লমশাং পাইবা ঙম্বা বোম্মরশিং থম্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৱারী শানরি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোরপোরেসন (এ বি সী)না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী বি-১ বোম্মরশিং অমসুং এরিয়ল টেঙ্করশিংবু মতম খরগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নোদর্ন টেরিটেরিদা থম্বা য়াহন্নবা ওষ্ট্রেলিয়াগা ৱারী কন্না শানরি হায়না য়ু এস পেসিফিক এয়র ফোর্সেসকী জেনরেল লে রোবিন্সনগী ৱারোল পল্লদুনা এ বি সীনা হায়খি।

করিগুম্বা ৱারী শানবদুদা য়ানবা পুরক্লবদি য়ু এস মিলিটরি এয়রক্রাফট অদু য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীগা নকশিন্ননা লৈরক্কদৌরিবনি হায়রি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সী অপুম্বা ক্লেম তৌরি, তৌইগুম্বসুং ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনামনসু চাইনাগা মান্ননা সাউথ চাইনা সীগী মফম কয়া ক্লেম তৌরিবনি। হন্দক চয়োল খরা অসিদা য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তা সাউথ চাইনা সীগী ৱাহৌদা উংখৎনবা হেনগৎলকখি।

য়ু এস নেভিনা নীংখা তম্না নেভিগেসন তৌবগী এক্সরসাইজশিং পাঙথোক্তুনা সাউথ চাইনা সীগী য়েৎনরিবা ঈথৎশিংগী মনাক নক্লা নেভিগী ভেসেল কয়া থৌজিন্দুনা ঈশিংগী শরুকশিং অদুদা ওপরেট তৌবগী রাইটশিং লৈ হায়বদু উৎখি।

য়ু এস নেভিগী পেট্রোলশিং অমসুং মফম অদুগী ঈথৎশিংদা চাইনানা এদভান্স ওইরবা মিসাইলশিং, ফাইটরশিং অমসুং রাদার ইক্কিপমেন্ট দিপ্লোই তৌরি হায়বা পাউশিংনা মরম ওইদুনা ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংগী মরক্তা লমদম অদুদা মিলিটরিগী পাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনৈ হায়না অমগা অমগা মরাল শিনরকখি।

জেনরেল রোবিন্সননা হায়খি, য়েৎনরিবা ঈশিংগী লম্বীশিং অদুদা য়ু এসনা মখা তানা এক্সরসাইজশিং পাঙথোকখিগনি। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়নন্না মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়াদা য়ু এসনা তৌরিবদুগা মান্ননা নীংখা তৌনা নেভিগেসন তৌবা য়াই হায়বদু উৎপা নেভল এক্সরসাইজশিং পাঙথোক্লবা তকশিনখি হায়না এ বি সীনা ফোঙদোকখি।

'ঐখোয়না লমদম অদুদা অমসুং মালেমদা লৈরিবা মরী লৈনবা খুদিংমকপু ইন্টরনেসনল রুলশিং অমসুং নোর্মশিংগী মতুং ইন্না ইন্টর-নেসনল এয়র স্পেসতা প্লেনশিং পাইনবা অমসুং মালেমগী ওইনা লৈরিবা ঈশিংগী শরুকশিংদা নেভিগেসন তৌনবা পূক্লিং থৌগৎকনি" হায়না জেনরেল রোবিন্সসননা হায়খি।

**ANGELS' COACHING CENTRE** ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

**ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)**

**BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.**

*FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS*

Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV

:-9856988840 / 9863265726
9863222153

HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

**PHICOMM**
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
**Phicomm Clue 630**



*4G Roaming Support*
*Speed up with the latest 4G LTE*
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

4G

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

2300mAh

HL-B/2956/13/02-12/03

# EMPLOYMENT NEWS

## UPSC RECRUITMENT 2016 – APPLY ONLINE FOR COMBINED MEDICAL SERVICES & ENGINEERING SERVICES EXAM 2016

**UPSC Combined Medical Services Exam 2016 – Apply Online for 1009 Vacancies:** Union Public Service Commission (UPSC) has released notification for conducting Combined Medical Services Exam 2016 for the recruitment of 1009 Assistant Divisional Medical Officer, Assistant Medical Officer, Junior Scale Posts, General Duty Medical Officer vacancies on temporary basis. Eligible candidates may apply online from 05-03-2016 to 01-04-2016 by 11:59 P.M. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**UPSC Vacancy Details:**

**Total No. of Posts: 1009**

**Name of the Exam:** Combined Medical Services Exam, 2016

**Name of the Posts:**

1. Assistant Divisional Medical Officer in Railways: 600 Posts
2. Assistant Medical Officer in Indian Ordnance Factories Health Services: 46 Posts
3. Junior Scale Posts in Central Health Services: 250 Posts
4. General Duty Medical Officer Gr-II in East, North & South Delhi Municipal Corporation: 97 Posts
5. General Duty Medical Officer in New Delhi Municipal Council: 16 Posts

**Age Limit:** Candidates must not have attained the age of 32 years as on 01-01-2016 i.e., the candidate must have been born not earlier than 02-01-1984. Age relaxation is applicable as per rules.

**Educational Qualification:** Candidates should have passed the written and practical parts of the final M.B.B.S. Examination.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on Written examination, Interview/ Personality Test.

**Application Fee:** Candidates have to pay Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of State Bank of India/ State Bank of Bikaner & Jaipur/ State Bank of Hyderabad/ State Bank of Mysore/ State Bank of Patiala/ State Bank of Travancore or by using any Visa/ Master Credit/ Debit Card. No fee for SC/ ST/ PH/ Female candidates.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the website www.upsconline.nic.in from 05-03-2016 to 01-04-2016 by 11:59 P.M.

**Instructions to Apply Online:**

1. Before applying online candidates have to scan the copies of photograph & signature.
2. Log on through the website www.upsconline.nic.in.
3. Click on "Online Application for Various Examinations of UPSC".
4. Click on "Part – I/ Part – II Registration".
5. Read the Important Instructions & fill the form with all the relevant details & submit the application form.
6. After successful registration, a unique registration ID will be allotted, note down the ID & password.
7. Now fill the personal profile, contact details, age relaxation if applicable.
8. Now fill the details of qualification, experience.
9. Now fill the details of Professional Registration, Language, Miscellaneous Module.
10. Now candidate have to choose the Recruitment Test Centre.
11. Now candidates have to upload documents in Document Upload Module
12. After uploading photograph & signature preview the ORA form and check the details carefully.
13. Now click on the submit button
14. Candidates can Pay Online using the Internet banking facility in SBI or other associated banks or can pay through Visa/ Master Debit or Credit card issued by any Bank/ Institution.
15. Here the Transaction ID & Date of Registration details will directly uploaded automatically.
16. Now pay the fee through cash at any branch of State Bank of India through the Pay-in-Slip
17. A transaction ID will be given, again revisit the website and click on the "Click here to view your Previous/ Currently active applications".
18. Log in by registration ID & password, candidates can see "My Active Application (My draft Application)" link.
19. Now fill the details of transaction ID and Date of Transaction if paid through cash.
20. Click "Continue", check the details of fee and submit the application.
21. Now take the printout copies of application attach the attested copies of all documents and keep it for future use.

**Important Dates:**

Starting Date to Apply Online 05-03-2016
Last Date for Payment of Fee using Pay by Cash Mode 31-03-2016 by 23:59 hrs
Last Date to Apply Online 01-04-2016 by 11:59 P.M
Last Date for Payment of Fee using Debit/ Credit Card/ Internet Banking 01-04-2016 by 23:59 P.M
Date of Competitive Examination 12-06-2016
Date of Declaration of Written Examination Results September/ October, 2016

**Examination Centres :** Agartala, Ahmedabad, Aizwal, Allahabad, Bangalore, Bareilly, Bhopal, Chandigarh, Chennai, Cuttack, Lucknow, Delhi, Dharwad, Dispur, Gangtok, Hyderabad, Imphal, Itanagar, Jaipur, Jammu, Jorhat, Kochi, Kohima, Kolkata, Dehradun, Madurai, Mumbai, Nagpur, Panaji (Goa), Patna, Port Blair, Raipur, Ranchi, Sambalpur, Shillong, Shimla, Srinagar, Thiruvananthapuram, Tirupati, Udaipur, Vishakhapatnam. *contd/-*